# ইক্কাদোরগী খ্বাইদগী নৌবা প্রিজন রাইওটতা য়ামদ্রবদা মীওই ৪৩ শিখ্রে, মীওই ২০০ হেন্না চেন্থোকখ্রে



ক্কিটোর, এপ্রিল ১০ (এজেন্সী): ইক্কাদোরগী জেল অমদা রাইবেল গেঙশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা অমা মপুং ফারবা রাইওট ওল্লকখিবগা লোয়ননা য়ামদ্রবদা ইনমেট ৪৩ শিখ্রে অমসুং মীওই ২০০ হেন্না জেল অদুদগী নাম্থোকখ্রে হায়রি।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবদা নিংথৌকাবা নুমিত্তা কেপিটেল ক্কিটোরদগী কিলোমিটর ৫০ রোম লাপ্লা লৈবা সান্টো দোমিঙ্গো দে লোস কোলোরেদোসকী বেলাবিষ্টা প্রিজন মনুংদা অমগা অমগা য়েংথীনরিবা লোস লাভোস অমসুং আর ৭ কৌবা গেঙশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লরখি।

থৌদোক অদুগী মতাংদা পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী ওফিসনা ট্যুটরদা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ইরাং অদুদা জেল ইনমেট ৪৩ শিখ্রে।

থৌদোক অদুগী অকুপ্পশিং খঙননবগীদমক জেল অদুদা ফাজিন্দুনা থম্লিবশিংগী মরী মতাশিংনা ফেসিলিটি অদুগী মপানদা পুল্লগা ঙাইদুনা লৈনখি। মমায়দা শোক্লবা প্রিজনর কয়া ট্রক অমদি এম্বুলেন্সনা মেদিকেল ফেসিলিটিশিং পুবা হৌখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্টর পেট্রিসিও কেরিলোনা হায়, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা রাইবেল গেঙশিংগী মরক্তা খুৎ থোক্লবা হৌরকখিবনি। রাইওট অদুদা প্রিজনরশিংনা জেল অদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনখি। তৌইগুম্বসুং য়ামদ্রবদা প্রিজনর ১১২ অমুক হন্না ফাজিনখি হায়না করিলোনা ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুং ইন্না অতৈ ইনমেট ১০৮ থীবা খঙদনা লৈরি।

থৌদোক অদু হৌখিবা থা খরা অসিদা ইক্কেদোরগী জেল কয়াদা পরিং নাইনা থোরকখিবা রাইওটশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী নৌবনি। হৌখিবা চহীগী সেপ্টেম্বরদা ক্কিটোদগী কিলোমিটর ৪০০ রোম লাপ্লা গায়াকিলদা লৈবা ফেসিলিটি অমদা থোকখিবা রাইওটতা ইনমেট ১০০ হেন্না শিখিবগা লোয়ননা ইনমেট কয়া অমা অশোক অপন নঙখিবনি।

পেনিটেন্সিরিয়া দেল লিটোরেলগী রাইওট অদুগী মতুংদা গভর্নমেন্টনা ইমর্জেন্সি লাউথোকখি অমসুং পুলিস অমসুং মিলিটরি ওফিসার চা কয়া প্রিজন অদুদা দিপ্লোই তৌখি। জেলশিংদা ইনমেটশিং কা হেন্না চিন্না থম্বগী ফিভম হন্থহন্নবা হোৎনরদুনা লৈবাক অসিনা ইনমেট ২০০০ ঙাকপীরগনি হায়না মমাঙদা লাউথোকখ্রবনি।

হৌখিবা চহীদা ইক্কেদোরদা লৈরিবা প্রিজনশিংগী মরমদা খঙবা মীওই অমনা এজেন্সিদা হায়খি, মদুদি জেলদা তোইনা হাৎন শুনবগী থৌদোকশিং থোক্লিবা অদুনা ওথোরিটিশিংনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদ্রে হায়বসি উৎলি। রাইওট তোইনা থোক্লক্লিবা ওথোরিটিশিংনা প্রিজনরশিংগী রিহেবিলিটেসনগী প্রোগ্রামশিংদা মীৎয়েং থম্বা অমদি জেলশিংগী মনুংদা ওপরেট তৌরিবা খুৎলায় পায়বা গ্রুপশিং খঙদোক্তুনা মখোয়গী মায়োক্তা অকনবা থৌরাংশিং পায়খৎপা মথৌ তাই হায়বসি উৎলি হায়রি।


ইক্কেদোরগী জেলশিংদা হৌজিক ইনমেট ৩৫,০০০ লৈ অমসুং জেলশিং অদুদা ইনমেটশিং থম্লিবদু মেক্সিমম কেপাসিটিদগী চাদ ১৫ রোম হেল্লে হায়রি।

হৌখিবা থাদা প্রসিদেন্ট গ্যুলার্মো লাসোনা জেলগী ইরাং কন্ট্রোল তৌনবগী পান্দমগা লোয়ননা অখন্নবা প্লান অমা লাউথোকখি। তৌইগুম্বসুং মদু হৌজিক ফাওবা থবক ওইনা পাঙথোরকপদি লৈত্রি।

লৈবাক অদুগী জেলশিংদা তোইনা হাৎন শুনবগী ইরাং থোক্লিবদু মেক্সিকান কার্টেলশিংনা কন্ট্রোল তৌবা রাইবেল গেঙশিংগী মরক্তা য়েংথিনবনা মরম ওইদুনা ইক্কেদোরগী জেলশিংদসু ইনমেটশিংগী মরক্তা ইরাং অদু য়ৌশিল্লকপনি হায়না লৈবাক অসিগী গভর্নমেন্টনা তোইনা ফোঙদোক্তুনা লাকখি।

মালেমগী মরু ওইবা কোকেন খ্বাইদগী থোকপা লৈবাকশিং ওইরিবা কলম্বিয়া অমসুং পেরুগী মরক্তা লৈরিবা লৈবাক অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং য়ুরোপতা দ্রগ থাবদা মরু ওইবা ট্রাঞ্জিট পোইন্ট অমা ওইনা শীজিন্নদুনা লাক্লি।

# পাকিষ্টানদা লৈরিবা চাইনিজ পৱার প্লান্টশিং পীফম থোকপা শেনফমশিং পীথোক্ত্রবদি থিংজিল্লগনি



ইস্লামাবাদ, মে ১০ (এজেন্সী): পাকিষ্টাননা পীথোকফম থোকপা পাকিষ্টানি রুপিস বিলিয়ন ৩০০ হেন্না পীথোক্তনা লৈরবা লৈবাক অসিদা ওপরেট তৌরিবা চাইনিজ পৱার প্লান্টশিংনা করিগুম্বা মখোয়গী পীফম থোকপা শেনফমশিং থুনা পীথোক্তবা তারবদি থা অসিগী মনুংদা প্লান্টশিং অদু থিংজিল্লগনি হায়না চেকশিন ৱা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি মিনিষ্টর ফোর প্লানিং এন্দ দিভলপমেন্ট আসন ইকবালনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা চাইনিজ কম্পেনি ৩০ হেনবগী রিপ্রজেন্টেটিবশিংদা ৱারী শান্নবদগী খঙলকখিবনি।

চাইনিজ কম্পেনিশিং অদু ফ্লেগশিপ মল্টি-বিলিয়ন-দোল্লর চাইনা-পাকিষ্টান ইকনোমিক কোরিদোর (সিপিইসি) গী মখাদা ইনর্জি, কম্যুনিকেসন্স, রেলৱে অমসুং অতৈশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা ওপরেট তৌরিবশিংনি হায়না দোন ন্যুজকী রিপোর্টনা হায়রি।

মীফম অদুদা চাইনিজ কম্পেনিশিংগী মায়কৈদগী চাইনিজ একজিক্যুটিবশিংগী খুদোংচাদ্রবা ভিজা প্রোসিজরশিং, টেক্সেসন অমদি অতৈ কয়া য়াওনা মখল মখাগী কমপ্লেন্টশিং পুখৎলকখি।

অমরোমদা, পাকিষ্টানি সাইটতগীসু কম্যুনিকেসন্সকী রেস্পোন্সতা থিন্থবগা মরী লৈনবা কাউন্টর কমপ্লেন্ট কয়া পুখৎখি হায়রি।

মীফম অদুদা চাইনিজ ইন্দিপেন্দেন্ট পৱার প্রদ্যুসর্স (আইপিপি) গী রিপ্রজেন্টেটিব ২৫ রোম্না মথং মথং ৱা ঙাঙখি অমসুং হৌজিক ফাওবদা মখোয়গী পীফম থোক্লবা শেনফমশিং পীথোক্তনা লৈরি হায়না কমপ্লেন্ট তৌখি অমদি অথুবা মতমদা শেনফমশিং অদু পীথোক্ত্রবদি নুমিৎ খরনিগী মনুংদা প্লান্টশিং অদু থিংজিল্লগনি হায়না ৱার্নিং তৌখি।

মখোয়না হায়খি, মদুদি ওথোরিটিশিংনা মখোয়দা কালেনগী মথৌ তাবা খ্বাইদগী ৱাংবা পৱার দিমান্দগী চাং থুংহন্নবা মেক্সিমম পৱার পুথোক্লবা প্রেসর পীরকখি। তৌইগুম্বসুং অরুবা লিক্যুদিটিগী ইস্যুশিংনা মরম ওইদুনা মখোয়না মেক্সিমম পৱার পুথোকপা হায়বসি ওইথোক্তবা অমা ওইখি।

ফ্যুএলগী মমলশিং মরু ওইনা কয়লাগী মমল অসি হান্নদগী শরুক অহুমদগীনা মরি ফাওবা হেনগৎলে হায়না কমপ্লেন্ট তৌরদুনা চাইনিজ রিপ্রজেন্টেটিবশিং অদুনা হায়খি, মদুদি ফ্যুএল এরেঞ্জমেন্টশিং ঙম্ন বগীদমক্তা মখোয়দা লিক্যুদিটিগী চাং শরুক অহুমদগী মরি ফাওবা পীগদবনি।

কয়লা পুথোকপা কম্পেনিশিংগী মনুংদা অমনা ফোঙদোরকখিবদা কয়লাগী ষ্টোক নেম্বনা মরম ওইদুনা কম্পেনি অদু কেপাসিটি তঙ্খায়দা ওপরেট তৌদুনা লৈরি। তৌইগুম্বসুং ওথোরিটিশিংনা পোথোক হেনগৎনবা প্রেসর পীরক্লবদি নুমিৎ খরনি খক্কী মনুংদা ফ্যুএলগী ষ্টোকশিং পুল্লোই লোইশিনখিবা য়াই।

# ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্সিএল মীখলদা ফর্দিনান্দ মার্কোস জুনিয়রনা মায় পাক্লে

মনিলা, মে ১০ (এজেন্সী): ফিলিপিন্সকী অনৌবা প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা লৈবাক অসিগী লৈখিদ্রবা লুচিংবা ফর্দিনান্দ মার্কোসকী মচানুপা ফর্দিনান্দ মার্কোর্স জুনিয়রনা মায় পাক্লে হায়বসি প্রিলিমিনরি রিজল্টশিংনা উৎখ্রে। খ্বাইদগী নৌবা ওফিসিএল ওইদবা ভোট মশিং থীবগী রিজল্ট মতুং ইন্না মার্কোস জুনিয়রনা ভোট মশিং ২৬,৬৮১,৪১৪ ফংখিবদা ভাইস প্রসিদেন্ট মরিয়ো রোব্রেদোনা ১২,৭৩৬,৬৪৪ ফঙখি।

ভিদিও মেসেজ অমদা বোংবোং হায়নসু খঙনবা মার্কোস জুনিয়রনা হৌখিবা থা কয়াদা মহাকপু মতম পুম্বদা শৌগৎতুনা লাকখিবশিংনসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ঐখোয়গীদমক্তা তৌবীখিবশিং অদুগীদমক্তা ঐহাক্না নখোয়বু থাগৎলি। ঐখোয়দা ভোলুন্টিয়র, পেরেলেল গ্রুপ, পোলিটিকেল লিদর লিশিং কয়ানা সপোর্ট তৌখি অমসুং ভোট পীখি হায়বসি ঐহাক্না খঙই। অদুম ওইনমক ভোট মশিং থীবা লোইদ্রি হায়রদুনা মার্কোসনা মহাক্কী সপোর্টরশিংদা অরোইবা ভোট মশিং থিদ্রিবা ফাওবা মীকুপ নাহুমশিংনা লৈননবা আপিল তৌখি।

মার্কোসকী রনিং মেট ওইরিবা ফম থাদোক্লগদবা প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটরটেগী মচানুপী সরা দ্যুটরটে-কার্পিও (৪৩) সু ভাইস প্রসিদেন্সিএল মীখলদা মায় পাক্লে। ভোট মশিং থীবা চাদ ৮৩.১ লোইশিনবদা মহাক্না পুন্না ভোট ২৬,৭০১,৯৫১ ফংখি।

লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ওফিসিএল কাউন্টিং হৌগদৌরিবা ইলেক্সন কম্মিসন্না ওফিসিএল টেল্লি থাদোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইননা ফর্দিনান্দ মার্কোস জুনিয়র অমসুং মহাক্কী রনিং মেট সরা দ্যুটরটে-কাপ্রিওনা মায় পাক্লে হায়বসি খঙবা ঙমখিবনি।

পোল বোদি অসিনা হৌজিক শুপ্পগী সিনেটরিয়েল কেন্দিদেটশিংগী ভোটশিং খঙননবা হোৎনগনি। ফিলিপিনোশিংনা অনৌবা প্রসিদেন্ট, ভাইস প্রসিদেন্ট, সিট ২৪ লৈবা সিনেটকী মেম্বর ১২ অমসুং হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিবকী মেম্বর ৩০০ হেন্না খননবা ভোট থাদনখিবনি। পোল বোদি অসিগী দেটানা কুমজা ২০২২ গী মীখলগা মরী লৈননা ভোটর মিলিয়ন ৬৫.৭ রেজিষ্টর তৌখি হায়বসি উৎখি।

মীখল অসিনা পুন্না নেসনেল অমসুং লোকেল পোজিসন ১৮,০০০ হেন্না মেনশিনগদৌরিবনি। থেংনা ফঙবা ইনৌ নৌবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না অহানবগী ভোট মশিং থীবা চাদ ৯০ হেন্না লোইশিল্লকপদা মার্কোস জুনিয়রনা ভোট মিলিয়ন ৩০ ফঙদুনা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বাদগী শরুক অনী হেনখি।

# সাংহাইদা লৈবা মীওইশিং অমসুং কোভিদ ইনফোর্সরশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লে



সাংহাই, মে ১০ (এজেন্সী): চাইনিজ প্রসিদেন্ট সি জিনপিংগী জেরো-কোভিদ ষ্টেটস এচিব তৌহল্লু হায়বা দিমান্দ থুংহন্নবগীদমক্তা ক্বারেন্টিন জোনশিংগী ৱাংমদা কোভিদ ইনফেক্সনশিং লৈহন্দনবা নৌনা হোৎনরকপগা লোয়ননা সাংহাইগী সিটিজনশিং অমদি চাইনাগী কোভিদ ইনফোর্সরশিংগী মরক্তা উংখৎনবা হেনগৎলক্লে হায়রি।

চাইনাগী সোসিএল মেদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা থাগৎপা ভিদিও-শিংদা কোভিদ-পোজিটিব পেসেন্টশিংনি হায়বা মীওইশিংবু নমদুনা সেন্ট্রেল ফেসিলিটিশিংদা ক্বারেন্টিন তৌবা উখি। মফম খরদা কোভিদ পোজিটিব কেস অমখক্না এপার্টমেন্ট বিল্ডিংশিংদা লৈবা মীওই পুম্নমক ক্বারেন্টিন তৌহনখি।

সোসল মেদিয়াদা থাগৎলিবা ভিদিও কয়া অমা সেন্সরশিংনা লৌথোকখিবা ওইরবসু রেসিদেন্টশিংনা মখা তানা ভিদিওশিং অমুক হন্না থাগৎনখি। মমাঙদা টোপ ওফিসিএলশিং অমসুং লিগেল স্কোল্লারশিংনা পীখিবা স্পিচ কয়া নৌনা থাগৎনবসু উখি। স্পিচশিং অদুনা মখোয়না রুল ওফ লো ইকায় খুম্নবগী তঙাই ফদবা পনখি।

গভর্নমেন্ট পোলিসি য়ানিংদবা উৎলদুনা মীয়াম্না সোসল মেদিয়াদা স্পিচশিং অসিবু অমুক হন্না থাগৎখিবনি হায়রি। হৌখিবা চয়োলদা প্রসিদেন্ট সি জিনপিংনা লৈবাক অদুগী সেনিয়র কাদরশিংদা পীখিবা মরু ওইবা স্পিচ অমদা মহাক্কী গভর্নমেন্টনা হৌজিক্তি ৱাথোক অমা ওইরক্লবা জেরো-কোভিদ কম্মিটমেন্ট অসি থাদোকপগী ৱাফম লৈতে হায়না নৌহৌননা পনখি।

মহাক্না ওফিসিএলশিংদা জেরো-কোভিদকী পোলিসি চেকশিন্না ঙাক্লবা আপিল তৌবগা লোয়ননা পোলিসি অসিদা চিংনবা উৎপা নত্ত্রগা মসিবু ক্রিটিসাইজ তৌবগী মায়োক্তা অকনবা ৱার্নিং পীখি।

মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা সাংহাইগী মীওই অমনা হায়খি, ভাইরস অসি হৌজিক কিনিংঙাই ওইদ্রে। তৌইগুম্বসুং গভর্নমেন্টনা কোভিদ মুথৎনবা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিদি মীয়ামদা খ্বাইদগী অৱাবা পীবা ওই।


## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 10th May, 2022

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **"The Apunba Loumee Sinmee Tractor Owners Association"** of **Khurkhul Sebok Leikai** on 06/05/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Sekmai A/C"**.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9863142363 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/2682/11

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref. Mutation Case No. 168/SDC/M Dated 09/05/2022**

1) Naorem Dhananjoy Singh, S/o (L) N. Iboyaima Singh of Tronglaobi Awang Leikai (Area 0.11 acre in the south west)
2) Naorem Ningthemjao Singh, S/o (L) N. Iboyaima Singh of Tronglaobi Awang Leikai (Area 0.22 acre in the middle)
3) Naorem Santosh Meitei, S/o (L) N. Merajao Meitei of Tronglaobi Awang Leikai (Area 0.22 acre in the north)
4) Naorem Naba Singh, S/o (L) N. Chaoba Singh of Tronglaobi Awang Leikai (Area 0.11 acre in the south east) – Petitioner

-Vs-

Late, Naorem Iboyaima Singh, S/o (L) N. Achoubi Singh of Tronglaobi Awang Leikai – Pattadar

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Moirang, the 9th May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নং ৫১-ঙাংখলৱাই ত্রোংলাওবী অৱাং লৈকায়দা লৈবা পাট্টা নং ১৪০২ অরিবা ৩৫১ অনৌবা পাট্টাগী দাগগী নং ৪২৩৭ দাগকী এরিয়া ০.৬৬ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মশা মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা মীং পীজরিবা দরখাষ্টকারি (মৃ: পাট্টাদারগী মচা অমসুং মশুশিংগী) মিংদা নামা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা আপতি ওজবেক্সন দরখাষ্ট থারকপা য়াগনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিক অসিগী মনুংদা ওজবেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- B.C. to Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/2683/11

## IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

**Ref: Mutation Case No. 313/AS&SO (K) Dt. 02-05-2022**

1) Naorem Premjit Singh, S/o Ibotombi Singh of Kakching Mayai Leikai
2) -do- Randhoni Devi, W/o Ibohal Singh of -do-
3) -do- Tomei Singh, S/o Akachandra Singh of Kakching Wairi
4) -do- Sadananda Singh, S/o Ibomcha Singh of -do- -Applicant

-Vs-

Naorem Akachandra Singh, S/o (L) Awangjao Singh of -do- -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Dt. 02-05-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরশিংনা ককচিং ১/১০৯ তহশিল খুল নং ৬২-ককচিং ৱাইরি পাট্টা নং ১/১০৯ অনৌবা দাগ নং ৩৬১৯ এরিয়া .১২একর ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নাওরেম একাচন্দ্র সিংহ পীং মৃ: অৱাংজাও সিংহ সাং ককচিং ৱাইরি অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপীরগা পিটিস্নরশিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইঙ্খোল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হাজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer,**
**Kakching**

HL-P/2542/11

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref. Mutation Case No. 178/SDC/M Dated 10/05/2022**

Laishram Thoiba Singh, S/o (L) L. Lukhoi Singh of Ngangkhalawai

-Vs-

Late Kumam Ningol Laishram Ongbi Ashangbi Devi, W/o L. Lukhoi Singh of Ngangkhalawai

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / **NOTICE**

Moirang, the 10th May, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৫১-ঙাংখলৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ৭৯৮ (অনৌবা) সী এস দাগকী নং ২১১২ এরিয়া ০.২৩ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ:পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি ইমুং মনুং লোইনবীনা মিং (নামা) ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না মখা কেস চত্থগনি।

**Sd/- B.C. to Sub-Deputy Collector,**
Moirang

HL-P/2683/11

## GOVERNMENT OF MANIPUR
## OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯈꯪꯍꯟꯐꯝ / NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 10th May, 2022

**No.Prop/SR/IW/2022:** It is hereby notified for general information that an application have been received by this office from **" Social Maker's Organisation Kodompokpi (SMOK)" of Kodompokpi Mamang Leikai** on 06/05/2022 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act, 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of **"Kodompokpi Mamang Leikai"**.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/ Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of proposed society/Organisation/ NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7 (1) (2) of SR Act, 1989 and Rule 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way of postal service/ hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained. **(Further you can contact 9863142363 for any objection/quarry)**

*Sd/-* **I. Rajen**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/2685/11

**CAS** Centre for Advanced Studies
No.1 in Manipur
CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

ADMISSION IS GOING ON
SPECIAL FOUNDATION COURSES

Seats are Limited First Come First Served

CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)
CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)
CLASS X (English, Mathematics, Science & Social Science)

Special features:
- Special Concession for all Students
- Qualified &Experienced Faculties
- Exam. Oriented Study Materials
- Weekly and Monthly Test Series
- Targeted Suggestion for Final Exam
- Vision for toppers in 2023

Classes commencing from 28th April, 2022

Morning Batch (4.30– 7.00) A.M. | Evening Batch (4.30– 7.30) P.M.
Hostel for BOYS & GIRLS Available

For Details contact:- CAS Office, Centre for Advanced Studies Keishampat Junction,Imphal (Mayai Lambi Road Machin.)

HL-B/7610/21-19

ADMISSION OPEN
PHOENIX ENGLISH COACHING
FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK
Detailed explanation of every lesson
Complete discussion of exam-related questions
Free supply of printed questions and answers
Weekly exam-oriented tests.
Nowhere can you find such English coaching class.
CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.
6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM
PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/7616/23/4-21/5

APOLLO ACADEMY
Moulding Medical & Engineering Career
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE 2022-23
XI(Sc) & XII(Sc) (CBSE & COHSEM)

SUBJECT:- PHY, CHEM, BIO, MATHS, ENG, MAN, H. SC., C.SC.
Form Issue : 20/04/2022
Class Timing : 4:15pm to 7:30 pm
Class Commencement : 09/05/2022

AVAILABLE HOSTEL SEATS FOR BOYS AND GIRLS OF SCHOOL GOERS

FOR DETAILS :- Plz. Contact, Coordinator APOLLO Office, Kwakeithel Bazar, Near AMUCO Office. (7:00 am - 4:00 pm)
Contact No. - 8258013846

HL-B/7608/5-12

CUET COMMON UNIVERSITY Entrance Test CUET (UG) - 2022
(To be held in the month of July - 2022 by NTA)

FORM ISSUE :- 20/04/2022
CLASS STARTS :- 15 May, 2022
ELIGIBILITY :- Class XII passed/appearing
SHIFT :- (9.30am - 2.00 pm - 3.15 pm)

NTA CUET (UG)
Common University Entrance Test 2022
Under Graduate Tests
for DU, JNU, Jamia Millia, BHU, AMU and All other Central Universities (CUs)

SPECIAL FEATURES:-
1) CUET-22 SLOT-1 Session
2) CUET-22 Mock Test Session
3) Supply Study Materials
3) CUET-CBT Practice Session

For details Please Contact : Co-ordinator, APOLLO ACADEMY
Kwakeithel Bazar near AMUCO Office, (7:00 am - 3:00pm), Contact No.-8258013846

HL-B/7608/5-12